১৬শুবা মোন্সাং স্পোর্টস মীট ২০২৪

চংনিংবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরম্লগা পান্থানা ভেটরানগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস): মোন্সাং স্পোর্টিং এসোসিএসন (এম ও এস এ)না শীন্দুনা চান্দেলগী লিৱা সরৈ ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬রক শুবা মোন্সাং স্পোর্টস মীট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা ভেটরানগী ফাইনেল মেটচতা পান্থানা চংনিং মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা প্রি ভেটরানগী ওইনা জাফৌনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী চংনিং অমসুং পান্থাগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা পান্থাগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু হৌগৎলকপা ৫শুবা মিনটতা টি এস ৱার্শিংনা চংনিংগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুগী ওইনসু পান্থানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। চংনিংগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরবসু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা মায় পাকখিদে। অমরোমদা মেটচ অদুগী ৫৯ অমসুং ৮২ শুবা মিনটতা পান্থাগী টি এস ৱার্শিং অমসুং এস ঐচ ৱিলসননা মখা তানা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবদা চংনিংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী ঙসি শান্নখিবা ভেটরানগী মেটচ অদু পান্থানা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

নাকল অমরোমদা, ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী প্রি ভেটরানগী ওইনা জাফৌ অমসুং লিৱা সরৈগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা জাফৌনা লাকচনা লিৱা সরৈবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

জাফৌগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩২, ৩৭ অমসুং ৭৫শুবা মিনটতা কে এদৱার্দনা অহুম অদুগা ৬১ অমসুং ৮০ শুবা মিনটতা দল্লিয়ু বোনি অমদি কে লোর্দসননা অমমম্ চনবা ঙমখিবনি। অদুগা লিৱা সরৈগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ৩০ শুবা মিনটতা টি এস চার্সিংনা চনখিবনি।

১১রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

এন এ পি এস এ খা-ইম্ফালনা য়াম্না লাকচনা মোদেল চীংঙা মখা থোইখ্রে

From 23rd January to 15th February 2024
Organised by Manipur Veteran Cricket Association, Imphal
NAPSA

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) ইম্ফালনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ১১রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন এ পি এস এ খা- ইম্ফালনা মোদেল চীংঙা মখাবু ৱিকেট ১০দা য়াম্না লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি মোদেল অমসুং এন এ পি এস এ অনীগী মরক্তা শান্নখিবা অদুগী টোস মোদেলনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা মোদেলনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অদুগী সন্তোশ অমসুং চিংলেনসনানা ওপনর বেটসমেন ওইখি। ওপনর বেটসমেন অনীনা হৌগৎলকপদা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা ক্রিজ তা মতম শাংনা খাঙদুনা লৈবা ঙমখিবগা লোয়ননা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনরমখি। সন্তোশনা বোল ২৪ মায়োক্লবদা রন ১৭ অদুগা চিংলেনসনানা বোল ৪৮দা রন ৪৩ লৌরল্লগা আউট ওইখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন চেরিশনা বোল ১৩দা রন ১৪ লৌরমখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা রন ১০ ফানা লৌবা ঙমখিদে। ইন্নিংস অদুগী ওইনা মোদেলনা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১০১ লৌখি।

অমরোমদা, এন এ পি এস এনা টার্গেট রন ১০২ ফংনবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা সোমোরেন্দ্রো অমসুং ভোগেন্দ্রোনা ওপনর বেটসমেন ওইখি। মখোয় অনীনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা এটেকশিং য়াম্না লায়না মায়োক য়াবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা সোমেন্দ্রোনা বোল ৪৮ মায়োক য়াবদা রন ৫৭ অদুগা ভোগেন্দ্রোনা বোল ৩১ মায়োক্লবদা রন ৪০ লৌরগা আউট ওইদনা লৈখিবগা লোয়ননা ওভর ১৩.১ শুরকপদা টার্গেট রন ১০২ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু এন এ পি এস এনা য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ১০দা থোইখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা এন এ পি এস এগী ভোগেন্দ্রোনা তাখি। মহাক্লা বোল ৩১দা রন ৪০ অদুগা ওভর ৪দা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

সহিদ মনোরঞ্জন ট্রোফিদা শরুক য়াবা য়ারোই

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস): অরুনাচল প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৬লক শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর হেরো সন্তোশ ট্রোফি ২০২৩-২৪দা মণিপুর টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংনা সহিদ মনোরাঞ্জন ট্রোফিদা শরুক য়ারোইদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী এসিস্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এস জিতেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না ৭৬লক শুবা সন্তোশ ট্রোফিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় খূদিংমক্লা মথং থাগী ১গী অয়ুকপুং ৭ তাবা মতমদা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা লাক্তুনা শুংশোয় শোয়দনা রিপোর্ট তৌরগদবনি। করিগুম্বা শান্নরোয়শিংনা লাক্তবা থেংনরবদি মখোয়গী মথক্তা অকনবা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস): মথং থাগী ১দগী বি এল ষ্টেদিয়ম হায়দরবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা এ আই দল্লিয়ু টি এম নেসনল ট্রেদিসনেল এন্দ পেনক্রেসন চেম্পিয়নশিপ ২০২৩-২৪দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

চিংলেনসনা হায়দরবাদ এফ সীদগী তোক্তুনা বেঙ্গলুরু এফ সীদা য়াওখ্রে

চেন্নাই, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): মণিপুরদগী হৌখিবা ফুটবোল্লর চিংলেনসনা বেঙ্গলুরু এফ সীগা খূৎয়েক পীনখ্রে হায়না বেঙ্গলুরু এফ সীগী ওফিসলশিংনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

দিফেন্দর চিংলেনসনা হায়দরবাদ এফ সীদা শান্নরম্বদগী হায়দরবাদ এফ সীগা খূৎয়েক পীনরম্বা অদু তোল্লবা মতুং বেঙ্গলুরু এফ সীগা খূৎয়েক পীনখিবনি। চিংলেনসনানা হায়দরবাদ এফ সীদা শান্নরিঙৈ কুম্জা ২০২০-২১দা আইএসএল টাইটল লৌবা ঙমখি। অমরোমদা, বেঙ্গলুরু এফ সীনা আই এস এল চেম্পিয়ন অসি মখোয়গী টিমদা হাপচিন্দুনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরকপনি।

মশাগী চহী ২৭ লোম শুরবা মণিপুরগী ফুটবোল্লর অসিনা মহাক্কী প্রোফেসনেল করিয়র অসি ইহান হান্না আই লীগতগী হৌরকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৫দা শিলোং লাজোংদা য়াওদুনা মহাক্লা আই লীগ শান্নখিবনি। মদুগী মতুং মহাক্লা দেল্লী দাইনামোস, এফ সী গোৱা অমসুং হায়দরবাদ এফ সীদা য়াওদুনা ইন্দিয়ন সুপর লীগতা হৌখিবা চহী ৭ অসি বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়োক্তা শান্নদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, বেঙ্গলুরু এফ সীগী টেক্নিসিয়ন গেরার্দ জারাগোজানা ফোঙদোকখিবদা, চিংলেনসনা অসি ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা সেন্টর বেক শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্কুম্বা শান্নরোয় অমা মতম কুইনদগী বেঙ্গলুরু এফ সীনা মথৌ তাদুনা লাক্লি। চিংলেনসনা হান্নদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় ওইবনা ঐখোয়গী টিমগী মপাঙ্গল কনখৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। চিংলেনসনাগা হকথেংননা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা টিম অসিনা মথৌ তারিবা অদু করিনো হায়বা খঙহনখ্রে। চিংলেনসনাগী মায়কৈদগীসু মহাক্লা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

চিংলেনসনানা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ইন্টরনেসনল মেটচ ১১ শান্নখ্রে। এস এ এফ এফ চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া টিমনা ৱিন্নর ওইখিবা অদুদসু চিংলেনসনা ইন্দিয়া টিমদা শান্নখি।

উজবেকিষ্টাননা থাইলেন্দ মায়থীবা পীখ্রে

কটার, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা শীন্দুনা কটারদা হৌজিক চথরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপকী ওইনা ঙসি উজবেকিষ্টান অমসুং থাইলেন্দগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা উজবেকিষ্টাননা থাইলেন্দবু মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

কটারগী অল জানোব ষ্টেদিয়মদা উজবেকিষ্টান অমসুং থাইলেন্দগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা বোল পায়বগী চাং থাইলেন্দনা হেল্লবসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবশিংদি লৌবা ঙমখিদে। অমরোমদা, বোল পায়বগী চাং ৪৪ খক ওইরিবা উজবেকিষ্টানগী শান্নরোয়শিংনা মেটচ অদুগী ৩৭শুবা মিনটতা চথুরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী অজিজ বেকনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা উজবেকিষ্টাননা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অনীমক্লা পাঞ্জল অমমম্ চন্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু উজবেকিষ্টাননা পাঞ্জল ২-১দা থোইখিবনি।

ৱাই ধনবিরনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুর চেছ এসোসিএসননা শীন্দুনা লাইনিংথৌ অমুদোন কম্যুনিটি হোল সগোলবন্দ তেরা অমুদোন অখাম লৈকাইদা চথরিবা অহানবা দল্লিয়ু লালমণি সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা য়াম্খেম ধনবিরনা পূন্না পোইন্ট ৬.৫ ফংদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা চিত্তরঞ্জন তাওরেম, ওইনাম নিংথেম, কে ঐচ সঞ্জয়, আর কে ভোগেন, এস প্রেমজিৎ, নাওরেমচা য়োহেনবা, থোঙাম নবচন্দ্রনা মথংশিংনা অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা, মঙাশুবা, তরুকশুবা, তরেৎশুবা অমসুং নিপানশুবা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অন্দর-১১গীদা লেম্বা শৌগাইজমনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা অহানবা অদুগা মঙাল এলাংবমনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা অনীশুবা তাখি। অন্দর-১৫গী ওইনা দয়ানন্দ থৌদামনা পোইন্ট ৫ অদুগা নাদিয়া শৌগাইজমনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা অনীশুবা তাখি। ভেটরানগী ওইনা অমোম শ্যামকিশোরনা অহানবা অদুগা আর কে নিংথেমনা অনীশুবা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট ফিমেল প্লেয়রনা পুয়াম লনচেনবীনা ওইখি। অদুগা বেষ্ট প্লেয়রনা হুইদ্রোম রঞ্জন মৈতৈনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী সর্টিফিকেট অমদি ট্রোফি পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা পুক্রিংসু থৌগৎখি।

য়ু এসকী নুপী টিম থুংলখ্রে

ভুবনেশ্বর, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): ওরিষ্যাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লীগ ২০২৩-২৪দা শরুক য়ানবগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স ৱিমেন্স হোক্কী টিম ঙরাং ভুবনেশ্বরদা লৈবা বিজু পাটনায়ক ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখ্রে। রাঞ্চিদা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ হোক্কী ওলিম্পিক ক্বালিফায়র্সতা য়ু এসকী টিম ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখ্রবা টিমনি।

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

লান্না এদ্যুকেসনবু নাথৈবা চূপ্লোই

(৪১৩)

কুমজা ১৯৮০গী ওক্টোবর ১দা মণিপুর লৈঙাক্লা মশক খঙলবা মহৈলোইশঙ ৬০৫ গ্রান্ট পীবীদুনা মথ্বায় হাপ্পীখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৮৬তা প্লানগী পোষ্ট অমমম্ পীবা অসি নৎতনা করিগুম্বা চাউখৎনবা থবক অমা ফাওবা লৌখৎখিবা লৈখিদ্রি। ইলিমেন্টরি সেকেন্দরি অনীমক্তা এপ্রুভ ওইরম্বা কয়া চহী শুরদুনা থবক্তগী পোথাখিবদা মদুগী মহুৎ শিন্নবা সফর মরক্তগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবদা মহুৎ শিনবগী চৎনবী লৈরিবনি। মতম অদুদা ওজা অমা হেক তোকখিবগা খূদক্তা মহুৎ শিনবা য়ারম্মী, মতম গেপ লৈরমদে। অদুসু জেদ ঈ ওগী ওফিসতা তৌনরম্মী। অদুবু ঙসি এদ্যুকেসন দিরেক্টরগী ওফিস য়ৌনা দি পি সী তৌবা অমদি চহী ৩/৪সু মতম চঙবা অদুগা তোলোপনা খূদক্কী ওইবা ইফেক্ট তৌবীবা অসিনা এইদেদ স্কুলদা হায়নিংঙাই লৈতনা এটেক তৌহল্লি। অসিগুম্বা নাওথরবা মহৈ লোইশঙ কয়াসি কুইমল্লে অৱাবা খাঙবা। মরম অসিনা ঙসিগী লৈঙাক্লা কুপ্না য়েংশিনবীদুনা অৱাবা অসি লৈতনবা হোৎনহন্নীংবগী অপাম্বা থমজরি।

অদোমগী - এম থম্বৌ,
ককচীং খুনৌ হিজম, # ৮১১৯৯৯৯০৪০

নেদরলেন্দসনা মায়থীবা পীরম্বদগী ইন্দিয়া সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে

OLYMPIC
Watch U Hockey
Watch

মস্কেট, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): এফ আই ঐচ ৫এস ৱর্ল্ড কপ ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম নেদরলেন্দসকী টিমনা ৭-৪দা মায়থীবা পীরম্বদগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী ওইনা পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১, ৭, ২৫ শুবা মিনটতা মোহমদ রহিলনা অহুম, অদুগা ১১শুবা মিনটতা মন্দিপ মোরনা অমা চনখিবনি। অদুগা নেদরলেন্দসকী পাঞ্জলশিং অদুনা ৪, ১৫শুবা মিনটতা সান্দের দে ৱিজননা অনী, ১০, ২৬ শুবা মিনটতা অলেকজেন্দর স্কোপনা অনী, ১২, ১৩ অমসুং ২০ শুবা মিনটতা মথংশিংনা লুকাস মিদেনদোপ, জেমি ভেন আর্ট অমসুং পেপিজিন রায়েঙানা অমমম্ চনখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপা অহানবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মোহমদ রাহিলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৪শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী সান্দেরনা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখি। মদুগী মতুং অহানবা ক্বার্টর লোইদ্রিঙৈদা ইন্দিয়ানা হৈন-শিংনা শান্নদুনা ৭ অমসুং ১১ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক লেমহৌরিবা ক্বার্টরশিংদা নেদরলেন্দসনা লাকচনা শান্নদুনা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯳꯰ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

NAME CHANGE

I, the undersigned do hereby declare that I have renounced relinquished and abandoned the use of my old name Meena Rakheja as I have assumed my new name Meena Khadka Rakheja. In future, I shall be known as Meena Khadka Rakheja in all my document and others.

Sd/- **Meena Khadka Rakheja**
Thangal Bazar Part-3,
PO - Imphal, PS - City, District - Imphal West

HL-P/8568/31

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DISTRICT

Ref :- R.R. no. 21/SDC/IW(P) of 2024

Soraisham (O) Leirentombi Devi, W/o (Late) S. Kunjo Singh.

NOTICE

Patsoi, the 30/01/2024

অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Soraisham (O) Leirentombi Devi গী মপুরোইবা (Late) Soraisham Kunjo Singh of Patsoi Part-IV দা মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবগী নুপী অসিনা মঙোন্দা Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়জররে। মসিদা কনা কনাগুম্বনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রগদি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Patsoi, Imphal West District

HL-P/9432/31

BEF0RE THE OATH COMMISSIONER. MANIPUR AT CHANDEL.

AFFIDAVIT

(Correction on Variation of Daughter's Name & Date of Birth)

I, **Smt Bs Hringlun Anal**, widow of No. **4329494**, Rank-**Sep**, Name-(Late) **Runghlung Anal** of **Assam Regiment**, a permanent resident of Thungcheng Village, P.O. Sugnu, District-Chandel, Manipur-795101, do hereby solemnly affirm and take oath as follows :-

1. I declare that the correct name of my legal daughter is written as **Lh Khihring** & her correct date of birth is **01-03-1970** and the same is documented in her Aadhaar Card, bearing No. 9618 5006 1667.
2. That, while publishing my daughter in the Part II Order, inadvertently, her name has been erroneously documented as **Khihring Anal** & her date of birth as **22/06/1972.**
3. That, whether **"Lh Khihring"** or **"Khihring Anal"**, it signifies/represents the name of one single/ same person i.e. **my legal daughter.**
4. That, in order to avoid future complications, by virtue of this affidavit, I hereby correct and declare my daughter's name & date of birth as per her Aadhaar Card as under :-

Incorrect Name & Date of Birth	To be corrected as/Change to
KhihringAnal	**Lh Khihring**
DOB: 22/06/1972	**DOB: 01-03-1970**

5. I am fully aware that any false statement given in this affidavit is punishable under the applicable Indian Law.

VERIFICATION

I, the above named deponent, do hereby solemnly affirm and declare that the above statement given is true and correct to the best of my knowledge and belief and nothing has been concealed/suppressed therein on this 27th day of **January, 2024 at Chandel.**

Identified by:-
Langnu Salmond (L.L.M.)
Advocate
Enrolment No. 274 of 2006

Signature of Deponent
Countersigned by:- **LH KHIHRING**
Daughter

Kervin Langhu Anal
Oath Commissioner
Chandel Dist., Manipur-795127
Regd. No. 555/2023

HL-P/9425/31

DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet of 1st Semester Examination, 2019 and Admit Card of 2nd Semester bearing Roll no. 9100539 respectively issued by Manipur University on the way in between Singjamei and Canchipur on 28/01/2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Soibam Russia Devi**
# 7005386654

HL-P/9433/31

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE SUB DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG IMPHAL EAST

NOTICE

Sawombung, 30th January, 2024

NO. I/SDC/SWG/Misc/06 (pt): This is for general information that Md. Sajid Khan S/o Rausal Ali of Khabeisoi has claimed with supporting documents of the land bearing Patta No. 88 (old) 134 (new), Dag No. 1170 measuring 0.73 acres under revenue village No. 34-Sangomsang of SDC, Sawombung circle, Whereas, as per records of this office the said land is recorded as Md. Imidruddin S/o Abdulla of Khergao.

Any interested parties are invited to establish their claims of the said land with relevant admissible evidentiary documents.

If no one can establish their claims with relevant document within seven days, the said patta will be mutated to Md. Sajid Khan S/o Rausal Ali of Khabeisoi.

Sd/- Sub-Deputy Collector, Sawombung
Imphal East

HL-P/9434/31

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mut. Case No. 17/SDC/M dt. 25/01/2024

1. Oinam Yaima Singh, S/o Late Oinam Kanhai Singh of Thangalawai Khuman Leikai (Area 0.05 acre)
2. Oinam Medha Devi, W/o Late Oinam Kheta Singh of Thangalawai Maning Leikai (Area 0.055 acre)
3. Oinam Tomba Singh, S/o Late Oinam Kanhai Singh of Thangalawai Awang Leikai (Area 0.05 acre)

-Vs-

Late Haojam Manao Singh, S/o Late H. Tonchou Singh of Thangalawai.

NOTICE

Moirang, the 30th January, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫৪-খা থীনুঙৈদা লৈবা পাট্টা নং ৭৩৯ (অনৌবা), সী: এস: দাগকী নং ৪২৯০ এরিয়া ০.২০৫ একর চাওবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা এরিয়া .০২০৫ একর চাওবা ইশ্বোল অসিগী মনুংদগী এরিয়া ০.১৫৫ একর চাওবা ইশ্বোল অসি মৃ: পাট্টাদার মশাগী মশুনুপা ১. ওইনাম য়াইমা সিংহ মথংশিংনা ২. মশুনুপী ওইনাম মেধা দেবী অরোইবদা ৩. মশুনুপা ওইনাম তোম্বা সিংহ হায়রিবা কো-দরখাষ্টকারীশিং অসিগী মিংদা (নামা) ওনবীরো হায়না শাখী য়াওনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপত্তি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Moirang

HL-P/9437/31